# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ তোমাল # ২৯৫

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



তোমাল হায়রিবা পান্বী অসি হিন্দুশিংগী য়াম্না মরু ওইবা পান্বীশিংগী মনুংদা অমনি। ভগবান কৃষ্ণনা তোমাল পান্বীগী মসাদা তোংলগা বাঁসি খোংদুনা রাধা অমসুং গোপিশিং লক্লবা শান্নবগী ৱাফমশিং থেংনৈ। তোমাল পান্বী অসি ইংলিসতা বোম্বে ইবোনী (Bombay Ebony) নৎত্রগা বিসতেন্দু (Bistendu) নৎত্রগা ধেকী (Dheki) নৎত্রগা মাক্রোল (Makrol), হিন্দিদা বিসতেন্দু (Bistendu) নৎত্রগা কালা দেন্দু (Kala dendu) নৎত্রগা কালা ধাও (Kala dhao) নৎত্রগা কেন্দু (Kendu) নৎত্রগা দাকানন (Dakanan), মরাথিদা লোহারী (Lohari), বেঙ্গোলিদা তামাল (Tamal), থাইদা তার্ন দম (Tarn Dum), ভিয়েটনামিজদা থী দা দেন (Thi da den), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দিওসপাইরোস কোর্দিফোলিয়া (Diospyros cordifolia Roxb.)* নৎত্রগা *দিওসপাইরোস মোন্তানা (Diospyros montana Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং *ইবেনেসী (Ebenaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। তোমাল পান্বী অসি মাউন্টেন পর্সিমোন (Mountain persimmon) হায়নসু কৌনৈ অদুগা সংস্কৃটতা তুমালা (Tumala) হায়না কৌই।

ইবেনেসী হায়রিবা শাগৈ অসিগী মনুংদা অপূনবা স্পিসিস ৭৬৮ লৈবগী পাউদমশিং লৈ অদুগা জেনেরানা ৪ শুই। মখোয়শিং অদুদি দিওসপাইরোস (Diospyros), য়ুক্লিয়া (Euclea), লিসোকার্পা (Lissocarpa) অমসুং রোয়েনা (Royena) নি।

তোমাল হায়রিবা পান্বী অসি ফুট ৬০ ফাওবা ৱাংবা অদুগা দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি উনা-ৱানা কেনগনবা মতমদা মনা পূম্নমক কেনগনবা য়াম্না তপ্না হৌবা উ পান্বী অমনি। অদুবু অয়াম্বা মতমদা উ অসি ফুট ২০দগী হেন্না ৱাংগন্দে। পান্বী অসি নৌরিবৈঁদদি মসা অয়াম্বা মরু ওইনা মখোক অদু য়াম্না শাংবা তিঙ্খংশিং পানবদু পান্বী অদুনা লিশিল্লক্লবা কান্দদি তিঙ্খংশিং অদু মসা ওইনা ওন্থোকখি। পান্বী অসি মতেক-মতেক শম্লবা মানবা মসাশিং অদু পান্বীগী মতোন থংবা শরুক্তা চগুংননা পাল্লি। তোমাল পান্বী অসি নোং খরা চুবা ৱাৎপা অমদি ত্রোপিকেলগী ওইবা অশাবা মফমশিংদা লৈবা উমংশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। বোন-গেব (Bon gab) হায়নসু অদুমক কৌনবা তোমাল পান্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, বাংলাদেশ, পাকিস্টান, শ্রীলঙ্কা, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌই।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিংদগী মিজো লোন্দা জো রুথৈ (Zo-ruthei) হায়না খঙনবা তোমাল পান্বী অসি হৌরকফম ওইবরা হায়বগী চপ চাবা পাউদমশিং থেংনদ্রবসু কুইরবা মতমদগী য়ূমগী অকোয়বদা অমদি গার্দেনশিংদা থান্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। দি বি দেব (D B Deb) না কুমজা ১৯৬১দা ফোঙখিবা বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিংদা তোমাল পান্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌরম্মী হায়না ইজরবসু ঙসিদি পান্বী অসি থোইদোক্না উবা ফংলক্ত্রে।

তোমাল পান্বীগী মনাগী মখোক থংবা শরুক অদু থবোম্বী (Heart) কী মওং হায়বদি ক্বা মনাগী মওং মানবদগী পান্বী অসিগী বিজ্ঞানগী ওইবা মমিংগী স্পিসিস কোর্দিফোলিয়া অসি থোনখিবনি। পান্বী অসিগী মনা অদু য়াম্না কূপ্পা শমশিং পান্দুনা হেক পায়বদা মোন-মোন লাওই। লৈশিং অদু মচু শংতক তৌনা কুপই অদুগা মহৈ অদু খুদোম্বী অমুক চাওনা নৌরিবৈঁদা মচু অদু শংজরবসু মুনশিল্লক্লবা কান্দদি হঙ্গাম মপাল মচুদা ঙাংতক তৌই।

তোমাল পান্বী অসি ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈননা পাম্না থানবগী মথক্তা অতোপ্পা থোইদোক্না কান্নবা কয়ামরুমসু লৈ। কনাগুম্বা খরনদি তুলসি পান্বীগুম্না তোমাল পান্বী অসি শুমাংগী ময়ায়দা নৎত্রগা য়ূমগা নক্লনা থাবসু থেংনৈ। তোমাল পান্বীগী মনা অমসুং মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদু শুগাইরগা ঙা লৈবা ঈশিংদা থাদদুনা ঙাশিং অদু মকোক ঙাওহল্লগা ফাবগী চৎনবী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। তোমাল পান্বীগী অমুনবা মহৈ অদু মীওইবনা চানবগী পাউদমশিং লৈজরবসু অনৌবা মহৈ হায়বদি মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অসিদি হু চেল্লি হায়দুনা চাবা তৌনদে। হীদাক ওওইনা তোমাল পান্বীগী মহৈ অসি ফজনা শুগাইরগা শেম্বা নং নং লাওবা মহী অদু ফুগ্রি থুংবা অমসুং অপাৎপা অদুদা তৈদুনা লায়েংবগী মথক্তা মৈনা পোকপদসু চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না থুনা ইংথহনবগী মথক্তা মৈনা চাকথোকখ্রবা উনশা অদু থুনা ফগৎহন্দুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।

মমুন ফারবা মহৈগী নান-নান লাউবা মতোং অদুনা অমুক্কা হেন্না ফৈ হায়নসু পাউদমলি। তোমাল পান্বীগী মরা অদু শুগাইরগা চাং নাইনা তৈদুনা অরুম-লাইহৌ তৌবা, অপোম-অতং তৌবা অমদি অশোক-অপন তৌদুনা নৎত্রগা খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা নাবা চৈনা অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙম্মী হায়দুনসু শীজিন্নে। তীল-কাং অমসুং মি (Spider) না চিকপদা তোমালগী মনা অদু শুগাইরগা থোম্বদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী।

পাউদম অমগী মতুংইন্না তোমাল পান্বী অসি হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লিকপা অমদি শাবা (Dysuria) নাই চাবা (Pleurisy), নুপীগী থাগী খোঙকাপ কা হেন্না চৎপা (Menorrhayia), ন্যুরেলজিয়া হায়রিবা নর্ভ (Nerve) কী ওইবা লায়নাশিং অসি লায়েংবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। ●

# ওজা খোম্মৈনা পূম্নমক্কী থম্মোয়বুদি জয় তৌরম্লে

- মাইবম সোমেন -

নুমিৎতো মে ২৬নি। অয়ূক অঙনবদা ঐনা হৌগৎত্রিবৈঁদা ঐখোয়গী স্কুলগী প্রিন্সিপালগী ফোন লাকখি। ঐসু তূম্লুবগী মীৎ ফাক্লি ফাক্লি তৌরগা ফোন অদু পায়খৎখি। মদুগী মতুং প্রিন্সিপালনা পাউ তারবা নৎত্রা হায়না হংলকখি। ঐসু করি পাউ ওইরবনো ওজা ঐদি তূম্বা হৌগৎত্রি হায়না অদুম্মক খুমখি। ওজানা মখা তানা হায়বীরকখি 'ওজা খোম্মৈদো ঙসি অয়ূক অঙনবদা ঐখোয় পূম্নমকপু থাদোক্লকল্লগা চৎখ্রে''। পাউ অসি তাবদা ইশাদা শ্বাই লাউখি, করিনো ঙসি তারিবা পাউসিবু খল্লুবদা। নুমিৎ অসিগী মমাঙগী নুমিৎতা লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী মচানুপাগা পাউ ফাওনবদা ডাক্টরনা ফগৎলকপগী চান্স লৈরি হায়বদুদা ৱাখলসে খরা য়াঙলুরবনি। অদুবু মঙগুল্লবা পাউ অসিনা তাইবঙদা থোক্লকপদা করম্বা মীওইবনা নুংঙাইগদগে?

ওজা খোম্মৈ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মখাদা অইবনা ওজা ওইজরিবা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়ুটিলাইজেসন বেসিসতা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইনা চহী ৪ রোমগী মমাঙদা লাকখি। ওজা অসিনা স্কুল অসিদা লাক্লবা মতুং মহৈরোয়শিংদা শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা নিংথিনা তাকপীদুনা স্পোর্টসকী মহাউ চপ চানা ফংহনখি। মহাক ভোল্লিবোলগী নেসনল প্লেয়র ওইজরগসু অতোপ্পা মশান্না কয়াগী মরমদসু নিংথিনা খঙবনা স্কুল অসিগী স্পোর্টস মীট পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা য়াল্লবা মহৈরোয়শিং অদুবু থকসি-খাসি নাইনা নিংথিনা কন্ত্রোল তৌদুনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংদা স্পোর্টসকী মহাউ অমা মহাক্না লাক্লবা মতুং ফংবা ঙমহনখি। মহৈরোয়শিংদা নত্তনা ওজাশিংসু চিংশিন্দুনা করম্না স্পোর্টস শিনগদগে অমদি পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্দুনা স্কুল অসিগী ওজাশিংদা অচৌবা খুদোল অমসু তম্বীরমখি।

ওজা অসি হেক য়েংবদা নুপা শাবান তাবা, ৱাং চাউরগা স্পোর্টসকী ওজানি হায়বদা মতিক চাবা শাবান্নি। ওজা অসিগা চহী ৪ রোম লোয়নবদা মহাক্কী মায়থোঙদা নোংমতা শাওনীংবা নৎত্রগা নুংঙাইতবগী মমি তাখিদে। মতম চূপ্পদা নোকমি-নোকমিদা তৌদুনা ওজা পূম্নমক্কা নুংশিনা লোয়নখি। স্কুল অসিগী পাঙথোকপা ফঙ্কসন খুদিংমক্তা অমত্তা চিথদনা মাঙ থাদুনা শরুক য়াখি। মহাক্কী মগুণদি অইবনা শৈথাবতনা ৱাৎলগনি। অইবগী চহীগা য়েংনরবদি ওজা অসি ঐগীদি অপোকপগুম্বনি। অদুবু অহল নহা খায়দনা তিন্নবা ঙম্বা ওজ ানা অইববুসু মহাক্কী মমান্নবগুম্না নুংশিনা হেক উবদা ওজা হায়না কৌবীদুনা লোয়নবীখি। মসিমক স্কুল অসিগী ওজা পূম্নমক্তা মহাক্না কাউরনু হায়বগী মতাগুম পীরম্বা নুংশি খুদোলনি।

ওজা অসি স্কুল অসিগী থবক থৌরমদা নত্তনা লৈকায়গী অমদি মীয়ামগী সোসল এক্টিভিটি কয়াদসু থৱায় য়াওনা য়াওজখিবা ওজানি। মমাঙ চহী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম ৱাবনা খম থেংলবা মতম অদুদা অইবনা ঐগী খুঙ্গংগী ক্লবকী নহারোলশিংগা খূৎশম্নদুনা মতেং পাংজবা অদু প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াদা উরগা ওজা অসিনা খুদক্তা ফোন তৌরক্তুনা মহাকসু মতেং পাংগে হায়দুনা হায়বীরকখি। কয়াদা পুকচেল চাওরিবা ওজাগী থম্মোয়নো, করিসু মরী থোক্লদবা মহাক্কী লৈফমদগী লাপ্পা লৈদুনা মহাক্না খঙনবা কনাসু লৈতবা খুঙ্গংসিগীদমক্তা মতেং পাংনীংবা ফাওরিবা ওজাগী থম্মোয় থাগৎতবা ঙমখিদে। মতেং পাংলকই হায়বগী নত্তে মীওইবা অমা ওইনা মীওইবগী অৱাবদা মতেং পাংনীংবা ফাওরিবা ওজা অসিগী শেংলবা থম্মোয় অদুবুনি অইবনা থাগৎচখিবা। কাউঙমলরোইদবা থৌদোক কয়ানি ওজানা লৈহৌরিবা ঐখোয় ময়ামদা থম্বীরম্লিবা।

ওজানা অরোইবা ওইনা স্কুল অসিগী ওজা ময়ামদা ৱা ঙাঙবীরম্বসি হৌখিবা জন্যুৱারীগী তারিখ ২৩দা স্কুল অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী মেদাম ভাবিনি (ভাইস প্রিন্সিপাল) গী ফেয়রৱেল নুমিৎতা ওইখি। নুমিৎ অসি ওজানা মহাক্কী পূক্নিংগী ৱারোল পীরদুনা রিটয়ার্দ তৌগদৌরিবা ওজাগী মরমদা অমদি স্কুল অসিদা থেংনখিবা অৱা-নুংঙাইগী মতাংদা নিংথিনা পাউদমদুনা তাহনবীখি। ঐখোয় মীওইবদি মহাক্না হিংলিবৈঁদা মী অদুগী মতিক-মগুণ অদু কয়া খঙনদে অদুবু মী অদুনা লৈখিদ্রবা মতমদা মহাক্কী মতিক মগুণ অমদি তৌরম্বশিং অদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। মসিমক ওজা অসিগী মফমদা থোকপদৌনা উরি।

ওজানা লৈখিদবদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল উরিৎখিনবম কুঞ্জোনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কোন্দোলেন্স মীটিং পাঙথোকখি। নুমিৎ অদুদা ওজাশিংগী মরক্তা মপি তানা কপ্তুনা ওজাগা থেংনরিবৈঁ তৌবিরম্বা কয়া অদু ময়ামদা তম্বা ফাওবা য়াওরকখি। নুমিৎ অদুদা অইবনা ফাওখি ওজা খোম্মৈনা অইবদা নত্তনা ওজা পূম্নমক্কী থম্মোয়বু জয় তৌদুনা নুংশিবগী অচেৎপা মরী অমা কীরম্লগা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে হায়বসি। ওজানা লৈখিদ্রবা মতুং মায়কৈ কয়াদগী অমদি ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোরকপা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াদা থেংনখি। ওজাদি স্কুল অসিগীতা নত্তনা মীয়াম পূম্নমকপু নুংশিনা লোয়নদুনা পূম্নমকপু জয় তৌরম্লে হায়বসি ঙসিদি ময়েক শেংলকই। লৈখিদ্রবা ওজাগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইরসনু। ওজাগী  নোকমি নোকমিবা মায়থোংদুদি পুন্সিগী কাউঙল্লরোই। কোভিদ-১৯ নঙদা মালেমসিদগী মাঙখিবা ওইরসনু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লান্থেংনরিব্রা নৎত্রগা লান ঙাকথোক্লিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমগী মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারক্লিবা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভকী লান লোইরম-লোইফাৎত্রিবৈঁদা অনীশুবা ৱেভকী লান্না অঙকপা ফংনা মীওইবা খুন্নাইবু তুম্না হাৎলগে মতাগুম লান্দারক্লিবৈঁ চৈরকসিদা ব্লেক ফঙ্গল, হ্বাইট ফঙ্গল হায়বা লাইচৎশিং অসিনসু লান পাংশিল্লক্লি। মসিগী মথক্তা তুংগী মীৎয়েং উবশিংনা কোভিদ-১৯গী থার্দ ৱেভনসু লাইচৎ অসিগী লানগী মতেং পাংলক্কনি হায়নরি। হায়রিবা লায়না লাইচৎশিং অসিগী লান অসি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইগী কম্মান্দরশিংনা লান্থেংনরিব্রা নৎত্রগা লান ঙাকথোক্লিব্রা হায়না এদিটরগী মফমদা খঙজনীংদুনা ৱাফম খরা হংজরি, মদুদি কোভিদ-১৯গী মরোং-মরোংবা শক্তম অমা টি ভি চেনেলশিং অমদি ন্যুজ পেপরশিংদা উৎপীরি। অসুক অকিবগী মশক ওইরবা শক্তম অসিবু করম্বা সাইন্টিষ্টনা নৎত্রগা স্কোলরশিংনা উবীদুনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী শক্তমনি হায়না পুথোকপীরিবনো? উবা ঙম্বা মওং-মরীন খঙবা পোৎ অমবু খূৎলায় পুথোক্তুনা লান্দদুনা হাৎননবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো হায়না হংজনীংই। সোমদদি মীওইবদা থক্কৎখিনি, পাখৎখিগনি হায়দুনা এম্বুলেন্সকী এলাম ফাওবা খোঙহন্দ্রে অদুগা অকিবগী শক্তম অদুনা টি ভি চেনেলগী পাউ তাগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্তা উহনবীরিবা অসি ফরিব্রা হায়না হংজনীংই।

হৌজিক লান্থেং অসি মায়োক্নরিবনি হায়দুনা মীওইবা খুন্নাইগী কম্মান্দরশিংনা মমল য়াম্ল-য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়, ভেক্সিন কয়া শীজিন্নদুনা তূম্বা-চাবা থিদনা হোৎনবীরিবা মওং অসিদি কোভিদ-১৯গী মথক্তা লান্দাবা নত্তে, লান ঙাকথোক্লবগী ওইনা উজৈ। লান্দাবা হায়বগা লান ঙাকথোকপা হায়বগা খেন্নবা লৈগনি। মীওইবা খুন্নাইবু লুচিংলিবা কম্মান্দরশিং অসিনা পুথোক্লিবা মখল মখলগী ভেকিসন, ওক্সিজেন প্লান্ট, কোভিদ আইসোলেসন সেন্টর, মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা শেংনা সাপোন্না হামদোকপা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা ফুট তরুক লাপ্পনা লৈননবা পীরিবা গাইদ লাইনশিং অসিগী মথক্তা য়ূম য়ূমদগী মপান থোকপীদনা চেকশিন্না লৈনবা হায়দুনা মায়পুনরিবা কম্মান্দরদগী হৌরগা ফ্রন্টনলাইন ৱারিয়রশিংনা অহিং-নুংথিল-নুমিদাং খাক্তনা মীওইবা খুন্নাইবু কন্নবা হোৎনবীরিবশিংগী অৱাবা খল্লুরবদি চাক ফাওবা চানীংদে হায়বদু য়ৌনা নুংঙাইজদে। অদুবু হোৎনরিবশিং অসি কোভিদ-১৯গী মথক্তা লান্দাবগী মওংদি ইউ উজদে।

অমরোমদা, অমুক য়ূম য়ূমদগী মপান হেক থোকপদা ফেস মাস্ক শুকশোয় শোয়দনা উপকদবনি অমদি কোভিদ সেকেন্দ ৱেভকী মতম অসিদদি নুংশিৎতা য়াওবা ওইবসু য়াই হায়দুনা দবল মাস্ক উপকদবনি হায়নবসু লৈরি, উপ্পসু উপ্পরি। মতাং অসিদা অইবনা থমজনীংলিবনা য়ূমদগী মপান হেক থোকপগা হায়রিবসিবু থোঙজিন কান্থোকপদগীরা নৎত্রগা থোঙ্গাল ৱাংমদগীরা? নুংশিৎতা য়াওবা ওইরগদি ইমুং, মাঙ্গোল, শুমাংদসু নুংশিৎ অদুম লৈনা। রিছর্সরশিংনা ষ্টদি তৌবদা কা মনুংদা ৱারী-ৱাতাই শানবনা কোভিদ-১৯গী লায়না হেন্না শন্দোকহল্লি হায়রিবা অসিনা কমদৌবা জাৎনো? অদু ওইরগদি মীওইবগী হিংফম শুকলৈ লৈত্রে হায়বদা লাল্লোই হায়জনীংই। মরম অসি লৈবনা নুংশিৎতা য়াওবা পোৎশক (মহীক) অদুবু হাৎননবা নোংথক্তগী কাপথদুনা চীং-পাৎ, লক্মাং-তুক্মাংদা লান্দাদ্রিবা করিগীনো? অমরোমদা খুঙ্গং-খুঙ্গংদা লৈরক কোন্সাং, য়েনখা-লুখাদা মহীক হাৎপা ঙম্বা হীদাক পুথোক্তুনা কাপত্রিবা করিগীনো? অসুম্না শকউবা অমসুং শকউদবা মহীকশিং অদুবু হাৎননবা তোয়না তোয়না কাপ্তুনা লান্দারবদি মদুবু কৌগনি লান্থেংনবা।

অসিমসু খঙজনীংই মদুদি চহীগী মতুংইন্না ভেক্সিন কাপ্পগী মওং অসি; কোভিদ-১৯না লান্দারকপা মতমদা চহী ১৭শুবা মীওইশিংগী মনাক য়ৌরকপদা নখোয় চহী তরানিপাল শুদ্রি হায়দুনা হন্দোকখিগদৌরিব্রা? হায়জবগী ৱাফমদি চহীগী মতুংইন্না ভেক্সিন পুথোক্লগা অমুক্তদা পাক্তক্লনা কাপ্লবদি মেন অমা তাগদ্রা খঞ্জবগী ৱানি। এস ও পি ঙাক্তুনা লান ঙাকথোকপগী থবক্তা অদুম তৌদুনা লৈরবদি জেনরেসন ময়েং তাবা শোয়দ্রবনি। শিবগী চাং নোংম-নোংমগী উৎলিবা অসুম্না পোকপগী চাংসু উৎলবদি খেন্নবা খরদি খঙবা ঙমগনি। মণিপুরগীদমক্তদি এস ও পি ঙাক্লিবৈঁদা লহোংনদ্রবনিনা জেনরেসন হন্থরকপা মশানা তাবনি। কোভিদ-১৯বু লান্দাদুনা হাৎনবা হোৎনবীয়ু। ঐখোয় মীওইবনা চহী কয়া এস ও পি ঙাক্না লৈগদৌরিবনো? কোভিদ-১৯বু লান্দাদুনা হাৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা লান ঙাকথোক্লবদা হোৎনদুনা লৈরবদি কোভিদ-১৯গী লাম্মী নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্তুনা মীওইবা খুন্নাই অসি মালেমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈজৈ। মরম অসি লৈবনা মীওইবদা ভেক্সিন কাপ্পগা ইরোয়ননা ভাইরস অসিবু হাৎপা ঙম্বা হীদাক পুথোকপীদুনা নোংথক অমসুং লৈমায় শিনবা থুংনা কাপথোকপীরবদি কোভিদ-১৯গী মথক্তা লান্দারি হায়না লৌজগে।

*অদোমগী - এলাংবম মনিহার (মোমেস)*
*থাংমৈবন্দ গুরুকুল স্কুল মনাক*

## ষ্টেটকী পাউ

# কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অনীদা চাক্লেন পীজখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):

ৱাংজিং-তেন্থা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়গী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স গ্রুপ অনীনা ঙসি এ সী অসিগী ওইনা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অনী হায়বদি ৱাংজিং হায় স্কুল ৱাংজিং অমসুং ললিত মাধোপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল খোংজোমদা লৈরিবা কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্টশিংগীদমক হাওবা-হাওতবা থিদনা ঙসি অয়ূক্কী চাক্লেন মতেং পাংখ্রে।



ঐখোয়গী ইচিল-ইনাও, ইচে-ইচল ঙাক্তনি। মখোয়গীদমক পাম্বোম তিংদুনা ঐখোয় লৈরি হায়বা উৎপা ওইনা ঙসি অয়ূক্কী চাক্লেন অসি ঙমজবনি।

এস ও পি ঙাক্না চাক্লেন মতেং পাংবা অদুগা মরী লৈননা কোভিদ ভোলুন্টিয়র কম্মিটি ৱাংজিং সোরোকখাইবম লৈকায়গী সেক্রেটরি থাংজম মনিচান্দনা হায়, এ সী অসিগী কোভিদ পোজিটিভ ওইরবশিং চাক্লেন অসি শীন্নবা হোৎনজবদা পূকচেল চাউরবা মীওই কয়ানসু কম্মিটিদা পূক্নিং থৌগৎপীরকখি। মদুগীদমক তৌবীমল খঙবসু উৎচরি। কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা সেন্টর অনী অসিদা লৈরিবা ইচিল-ইনাও খুদিংমক অতেনবা মতমদা ফগৎলক্তুনা য়ূম য়ূমদা তেক্ত-কায়দনা হনবা ঙমহনবীনবসু শেম্বীবা মপুদা থৌনিজরি। মতুংদসু টাস্ক ফোর্স অসিনা পেসেন্টশিংগীদমক পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংখিগনি। মীয়াম্নসু চেকশিন্না লৈবীদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মায়থিবা পীমিন্নসি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়গী টাস্ক ফোর্স অনী অসিনা হন্দক ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে নুমিৎতসু উহৈ পানবা উ চারা কয়ামরুম থাজিনখিবনি।

# দল্লিয়ু সুমতি মীরেপ ওইনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):

লমশাং এ সীগী টর্ম তলক এম এল এ ওইরম্লবা হন্দক্তা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈময়ূম ব্রজবিধুগী লোয়নবী দল্লিয়ু সুমতিবু মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা পুথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না লমশাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়ূমখাইবম কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মীরেপ ওইগদৌরিবা সুমতিগী ময়ূমদা এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন-৪৯গী মীওইশিং য়াওদুনা লৈঙাক্না পীবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তুনা পাঙথোকপা মীফমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরমদুদা ময়াংলাংজিং জি পিগী প্রধাণ টি তোম্পোক, ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সীঐচ নিমাই, প্রসিদেন্ট ইমা লাইখুরেম্বী সেভা কম্মিটিগী সীঐচ কামেশ্বর অমদি পোল্লিং ষ্টেসন-৪৯গী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

ৱাই কুমারজিৎনা মখা তানা হায়খিবদা, এ সী অসিদা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা দল্লিয়ু ব্রজবিধুনা এ সী অসিবু অঙম্বা থাক্তা চাওখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু মতম চাদনা লৈখিদ্রবা মতুংদা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না কম্মিটিগী মীওইশিং তানরগা মীফম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা ব্রজবিধুগী লোয়নবী সুমতিবু অমত্তা ওইনা মীরেপ ওইনবা ৱারেপ লৌবনি। মসিগী মতাংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু পুখৎলগনি হায়বগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লনবা হোৎনরগনি।

দল্লিয়ু সুমতিনা, ঐগী ইপুরোইবা অসি হৌজিক ওইরিবা লায়না লাইচৎ মরক্তা এ সী অসিগী মফম কয়াদা চত্তুনা ইলেক্সনগীদমক মীওই কয়া উনখি। ফনা থীংলবসু য়াখিদে, মীয়ামগী সেবা তৌখিগনি হায়রমখি। মহাক্না মঙজরম্বা খূদিংমক পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।